**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19.03.2024)**

**ইলেক্সন (এল)ঃ** রাজ্যগী চীফ ইলেক্সন ওফিসার-প্রদিপ কুমার ঝানা সভাপতি ওইদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার (দি.ই.ও) শিং অমসুং এস.পিশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি সি.ই.ও ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী ঝানা দি.ই.ওশিং অমসুং এস.পিশিংদা মীখল নীংথিনা পাঙথোকবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা মীমান্নদ্রবশিংগীদমক্তা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং শেম্বা অমসুং ভোট থাদহন্নবগী মতাংদা খন্নখি। দি.ই.ওশিং অমসুং এস.পিশিংনা মীখল নীংথিনা পাঙথোকহন্নবগী মখোয়গী ওইবা মোতশিংসু ফোংদোকখি।

মদুগী তুংদা, চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা তোঙান তোঙানবা নেসনেল অমসুং ষ্টেট থাক্কী রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংগসু মীফম পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদিককচিং জিলাগী ওফিসিয়েশিং শরুক য়াখি। অতৈ জিলাশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

**কমিতি (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা জিলা থাক্কী ওইবা মেদিয়া সার্টিফিকেসন অমদি মোনিটরিং কমিতি (এম.সি.এম.ই) অমা ককচিং জিলাগী ওইনা শেমলে হায়না ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগী চেরোল অমনা হায়রি- কমিতি অসিনা মীখলগা মরী লৈনবা এদভরটাইজমেন্টকী প্রি-সার্টিফিকেসন অমসুং পেদ ন্যুজকী মতাংদা য়েংশিনগনি। কমিতি অসিদা দি.সি. ককচিংনা চেয়ারমেন, এ.আই.আর. ইম্ফালগী ককচিং পাউমী-নোংমাইথেম

ভাবেশ্বরনা ইন্টর-মেদিয়ারি এক্সপার্ট ওইরি। দি.দি.কে. ইম্ফালগী ককচিং পাউমী-এন. গৌতম অমসুং ইমেজ ইম্ফালগী পাউমী-জয়েন্ত মীতৈসু কমিতি অসিদা মেম্বর ওইনা য়াওরি।

অমরোমদা, নোনে জিলাগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-জোসেপ পাওলিন কামসোননা চেয়ারমেন ওইদুনা মেদিয়া সার্টিফিকেসন অমদি মোনিটরিং কমিতি শেমখ্রে হায়রি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা সব-দিভিজনেল ওফিসার, এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার অমসুং সব-দিপ্যুতি কল্লেক্তরশিংদা ইলেক্ত্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই.ভি.এম)-ভোটর ভিরিফাইয়েবল পেপর ওদিত ত্রেল (ভি.ভি.পেদ) শিজিন্নবগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্ট কেন্দ্রগী মনুং চনবা জিরিবাম এসেমব্লি সেখমেন্টকী ভোটরশিংনা মশাগী লাইসেন্স গনশিং জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা বোড়োবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা পীশিল্লকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা আপিল তৌরি।

**একাডমী (এল)ঃ** ষ্টেট একাডমী ত্রেন্নিং মনিপুরনা শিনদুনা আর.টি.আই. এক্টকী খুথাংদা লৈঙাক সাসন হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা চহিগী ওইবা মীফম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী দি.সি. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা আর.টি.আইগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** ইনভাইরোনমেন্ট ফোরেষ্ট অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রালয়না

লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী ফিভম কন্নবগীদমক ৱেদলেন্দ ইন্টরনেসনেল সাউথ এসিয়া অমদি ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (আই.আই.টি) রুরকিগা খুৎশমনা লোক্তাক পাৎতা পায়খৎকদবা ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লান (আই.এম.পি) গী অয়াবা পীরক্লে।

নেসনেল প্লান ফোর কঞ্জারভেসন ওফ এক্বাটিক ইকো সিষ্টেম (এন.পি.সি.এ) স্কিমগী মখাদা পায়খৎকদবা খোঙথাং অসিনা ৱেদলেন্দশিং কন্নবা অমদি শেমগৎ শাগৎপদা পান্দম থল্লি। লোক্তাক পাৎতা পায়খৎকদবা ইন্টগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লানগী অয়াবা চেরোল অদু ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মন্ত্রালয়গী সেনিয়ার ওফিসিএলশিংগী মীফমদা লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনিকুমারদা খুৎশিন্নরকখিবনি।

মন্ত্রালয়গী খোঙথাং অসিবু এল.দি.এগী চেয়ারমেন-অশ্বিনি কুমারনা থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমদি ইনভাইরোনমেন্ট-টি.ঐচ. বিশ্বজিৎ য়াওনা মরী লৈনবশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

**বিনিফিসরি (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী নুপীশিংদা প্রধান মন্ত্রি মত্রু বন্দানা য়োজনানা কান্নবা কয়া পীরি। ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা য়োজনা মীরোনবী অমসুং চাজেনবী মমাশিংবু শেলগী ওইবা তেংবাং পীরি। স্কিম অসিগী মখাদা নুপীশিংনা অঙাং উন্নবা মতমদা শেল ওইনা লুপা লিশিং মঙাগী তেংবাং পীরি। চহি অসিগী ওইনা জিলা অসিদা নুপী ১৪০ স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংলে।

**হোম গার্ড (এল)ঃ** থা অসিগী ১৪ দা হোম গার্দ পার্সোনেল ১৩৫ লৌবগী ওর্দর অমা কম্মান্দেন্ট-সি.ঐচ. অদানি মাওনা থোকখিবা অদুগী মতাংদা সরকারনা মীৎয়েং চংদুনা থিজিনবীয়ু হায়না মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার

এসোসিয়েসনন‌া মুখ্য মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাই. মঙ্গিনা হায়-হোম গার্ডকী কম্মান্দেন্ট-সি.ঐচ. অদানি মাও অসি মহাক্কী থবক মতম লোইদুনা শুপগী থা অমা থবক মখা শাংদোক্তুনা লৈরিবনি। মহাকা থবক লৌবগী ওর্দর থোক্লিবা অসি সরকারগী অয়াবা য়াওদে হায়না লৌই। মরমদি, হোম গার্দ পার্সোনেলশিং লৌবগী এদভরটাইজমেন্ট অমত্তা থোকখিবা লৈতে। মহাকা হায়-অৱাৎপা হোম গার্দ পার্সোনেলশিং লৌবগী থবক অসি ওপন রিক্রুইটমেন্ট তৌবিয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিদা অইবা চেরোল পীখিবা লৈখ্রে। মসিগী মতুং ইন্না মুখ্য মন্ত্রিনসু মরি লৈনবশিংদা অইবা চে থাদুনা খঙহনখিবা লৈ। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা কম্মান্দেন্ট-সি.ঐচ. অদানিনা মতৌ করমা মীওই ১৩৫ লৌরিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি মনিপুর হায় কোর্টতা চথ্লখিবা হিয়ারিং অমদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অদু ককপা অমদি থিজিলহন্নবা লাক্লিবা এপ্রিল ২৪ দা মখা তাবা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে।

**নোনে (এল)ঃ** পি.ঐচ.ই.দিপার্টমেন্টনা জল জিবন মীসনগী মতাংদা ৱাটর সপ্লাই টেঙ্ক অমদি পাইপ লাইনশিং তিংবা য়াওনা নোনে অমসুং তমেংলোংগী তোঙান তোঙানবা খুল ৮২ দা পায়খৎলিবা তঙাইফদবা থবকশিং পেন্নিংঙাই ওইদ্রে হায়না থৌরাং অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কমিতিনা পেন দবা ফোংদোরক্লি।

ঙসি খুমজি কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকপা মীফম অমদা জে.এ.সিগী মায়কৈদগী প্রোজেক্ট অসিগীদমক আর.সি.সি. ৱাটর রিজাভরশিং শাবা চাদা ৮০ লোয়শিল্লে। অদুবু, মসিদা চংখিবা শেনফমশিং সরকারনা পীথোক্তনা লৈরিবা অসি য়ানিংদে। মসিগীসু মথক্তা ঈশিং পুনবা জি.আই. পাইপশিং এজেন্সিশিংনা পীরক্তবনা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োকহল্লি।

**নোনে (এল)ঃ** ৮৬ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়ননা শিনদুনা সি.আর.পি.এফকী নুমিৎ ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা বটালিয়ন হেদক্কাটরসতা পাঙথোকখ্রে।

**ফেরজোল (এল)ঃ** ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখতা থা অসিগী ১৪ দা খুলগী হেদমেন অমদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তিপাইমুখ দিবলপমেন্ট কমিতিগী চেয়ারমেন- এ.আর. লালরোপুই অমসুং ডা: এল. ফিমাতেনা অখণ্ড অহৈশিং ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদু মেক্স ইম্ফালগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপনি।

**রেভিস (এল)ঃ** নেসনেল রেভিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, আই.দি.এস.পি, এন.ঐচ.এম. মনিপুরনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ষ্টেট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ট্রেন্নিং সেন্টর- আর.দি.ৱিং লমফেলদা পাঙথোকখ্রে। মেদিকেল ওফিসার, ফারমাসিষ্ট অমদি নর্সশিংগী ওইবা ট্রেন্নিং অদু থা অসিগী ২২ ফাওবা চত্থগনি।

**হিদাক (এল)ঃ** হুই অমসুং হৌদোংদা এর্ন্টি রেভিসকী তিকা থাবা অমদি হুইশিংদা তিল লৈতনবা হিদাক থাবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী পিছলেন দদা লৈবা নোনে ভেটিরিনারি হোস্পিতাল-লোংমাই পার্ট ফোরদা পাঙথোকখ্রে। তিকা থাবা অমদি তিল লৈতনবা হিদাক থাবগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসার অমদি অতৈ ওফিসিএল কয়ানা শরুক য়াখি। মদুদা হুই হৌদোং ৪০ হেনবদা এর্ন্টি রেভিসকী তিকা থাদোকখি।

**ট্রেন্নিং (এল)ঃ** সেন্টর ফোর সোসিএল দিবলপমেন্ট ইম্ফাল অমসুং পিপল

এক্সন ফোর সোসিএল চেঞ্জ-থৌবাল অমসুং থারতি টু ওল স্মাইল দেন্টেল ক্লিনিক-নাগামপালনা পুন্না শিনদুনা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা লেপ্তুনা শন্দোক্লিবা থৌরম-হোংলক্লিবা অইং আশাগী খলদা মনিপুরগী ১৫ শুবা তাঙ্কক্তা অইং আশাগী খল হোংলকপনা য়েলহৌ পান্থীশিংদা পীরক্লিবা চৈথেং হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিশুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিক ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রাইজিং ক্লব অমদি ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

**লোক সভা ঃ** লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী নোটিফিকেসন হয়েং থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিগী রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৪ গী লোক সভা সিট ১০২ দা মীখল পাঙথোক্কনি।

মসিগী মনুংদা তামিল নাদুগী সিট ৩৯, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেসকী ৮, মধ্য প্রদেসকী তরুক, উত্তরাখন্দ, অসাম অমসুং মহারাস্ত্রগী সিট মঙা-মঙা, বিহারগী মরি, নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহুম, অরুনাচল প্রদেস, মনিপুর অমসুং মেঘালয়দা সিট অনি অনি অমসুং ছাতিসগর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ, জম্মু অমসুং কাশ্মির, লক্ষদিপ অমসুং পুদুচরিগীনা সিট অমমম য়াওরি।

থা অসিগী ২৭ ফাওবা মীরেপ চেশিং পীশিনবা য়াগনি অদুগা মীখলনা মথং থাগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি।

**কংগ্রেস ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেস দলগী মেনিফেষ্টোগী মতাংদা কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গে, হান্নগী প্রসিদেন্টশিং-সোনয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধি, দলগী লুচিংবশিং-প্রিয়াঙ্ক গান্ধি ভদ্র, পি.চিদম্বরম, অজয় মকান অমসুং ভি.সি. ভেনুগোপাল য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কেরলাগী পালাকাটতা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈননা রোড সোশিংদা শরুক য়াখি।

মীখলগী মতম লাউথোক্লবা মতুংদা কেরলাদা অহানবা ওইনা মীখলগী কেম্পেইনদা শরুক য়াবনি। বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-কে. সুরেন্দর অমসুং পালাকাট অমসুং পোনামি বিধান সভা কেন্দ্রগী এন.দি.এগী মারেপশিংনা প্রধান মন্ত্রিগা লোয়ননা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা তামিল নাদুগী সালেমদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি।

**এনআইএঃ** কেরলাদা, আর.এস.এসকী লুচিংবা শ্রীনিভাসনবু হাৎপদা চেন্নবা আইননা থিংখ্রবা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি.এফ.আই) গী মীওই সাফিক এন.আই.এনা ফারে।

এন.আই.এগী পাউনা হায়-সাফিক অসি ইং ২০২২ গী এপ্রিল ১৬ তা কেরলাগী পালাকাটতা শ্রীনিভাসনবু হাৎলবা মতুংদা মীরোৎ ওইনা লৈরকখিবনি। মহাক মালাপুরম জিলাদগীনি। মহাক পি.এফ.আইগী হকচিনবা মীওইনি অমসুং শ্রীনিভাসনগী মীহাৎতা মপুং ওইনা চেন্নবা মীশকনি।

**কোর্টঃ** সুপ্রিম কোর্টনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি.এ.এ) চৎননবগী

ৱাফম চৎনহন্দবগী ৱাফম য়াখিদ্রে।

খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা সরকারদা চয়োল অহুমগী মতম পীদুনা সি.এ.এগী মতাংদা থাংগৎলকপা পিটিসন ২৩৭ কী পাউখুম পীনবসু মমাং চয়োলদা খঙহনখ্রবনি।

**কোর্টঃ** সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্তোরেল বোন্দসকা মরী লৈনবা অকুপ্পা ৱাফমশিং লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা পীরকবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা খঙহনখ্রে। পীখৎলক্কদবা অকুপ্পা ৱারোলশিং অসিগী মনুংদা বাইয়র অমসুং রাজনিতি দলশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফোংদোকপা য়ুনিক বোন্দ নম্বরশিংসু য়াওগদবনি।

চিফ জস্তিস দি.ৱাই চন্দ্রচুদনা লচিংবা জজ ৫ না শাবা বেঞ্চ অমনা থা অসিগী ২১ গী পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা এফিদেবিট অমা পীরকবা এস.বি.আইগী চিয়রমেনদা খঙহনখি।